## গভর্ণমেন্ট ওজা দ্রগকা কোন্ননা ফারে

শ্রীনগর, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী বুদগাম দিষ্ট্রিক্টতা গভর্ণমেন্টকী ওজা অমা অথিংবা থন্বা দ্রগ কোদিন বোট্টল ১০৩গা কোন্ননা ফারে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হায়, মখোয়না বুদগাম দিষ্ট্রিক্টকী ৱাদৱান এরিয়াদা গাড়ী অমা খামখি অমসুং গাড়ী অদুদা থী হুস্বদা কোদিন বোট্টল ১০৩ থেংনখি। ৱাহং-পাউহং তৌবদা গাড়ী অদুবু থৌরক্লিবা সয়েদ ইর্ফান-উল-হক হায়রিবা মীওই অসি স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী লেকচরর অমনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মহাক শ্রীনগর সিটিগী খয়াম কৌবা মফমদগীনি। একুজ অমদি গাড়ী ২মক পুলিসনা ফাজিনবগা লোয়ননা এন দি পি এস এক্টকী মখাদা কেস অমা লৌখৎখি। কোর্টতা মরাল লৈ হায়বা চপ চানা প্রুভ তৌরবদি একুজ অসি এন দি পি এস এক্ট ১৯৮৫গী মখাদা জেলদা চহী ১০ থবক শুহল্লগা থস্বগা লোয়ননা লুপা লাখ ১ ফাওবা ফাইন তৌবা য়াই।

## পুলিসনা কষ্টদিদা তোর্চর তৌবা লেপত্রি
## প্রিভিলেজ ক্লাসকী মীওইশিং ফাওবা থাদে: সী জে আই

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিদা পুলিসনা কষ্টদিদা তোর্চর তৌবা অমসুং কা-হেনবা থৌওং কয়া চথবগী থৌদোক হেনগৎলকপগী ফিভমদা চিফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া (সী জে আই) এন ভি রামালানা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং হ্যুমেন রাইটসতা খ্বাইদগী হেন্না কিহল্লিবসি পুলিস ষ্টেসনশিংদনি হায়খ্রে।



নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (এন এ এল এস এ)না শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা সী জে আই রামানানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, হ্যুমেন রাইটস অমসুং ঐখোয়গী হকচাংদা চৈনা ফংনিংঙাই ওইবা মওংদা কিনিঙাই ওইবসি পুলিস ষ্টেসনদনা খ্বাইদগী হেল্লি। কষ্টদিদা ফূ-চৈদুনা ওৎ-নৈবা অমসুং পুলিসকী অতে কা হেনবা থৌওংশিং হৌজিকসু ঐখোয়গী সোসাইটিদা লৈরি। কন্সটিট্যুসনল দিক্লারেসন অমসুং গরেন্টি কয়া লৈদুনসু পুলিস ষ্টেসনশিংদা ইফেক্টিভ লিগেল রিপ্রজেন্টেটিভ ৱাৎপা অসিনা ফারবা নৎত্রগা দিটেন তৌবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা চাওনা থোকহল্লে।

বোদিলি ইন্টিগ্রিটি হায়বসি ঐখোয়গী হকচাং শোকহন-পলহন্দনা থন্বগী তঙায় ফদবা অদুনি। মসিনা মীওইবগী হকচাংগা মরী লৈনবা পর্সনল ওটোনোমিদা মরু ওইবা মীৎয়েং থমহল্লিবনি।

পুলিসকী কা-হেনবা থবক থৌওংশিং লাকশিন্নবগীদমক্তা কন্সটিট্যুসননা ঐখোয়দা লোগী মতেং লৌনবগী রাইট কয়া পীরিবসিগী মতাংদা এৱেরনেস পীবা অমসুং লিগেল এইদ সর্ভিসশিং ফ্রীদা ফংহনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। পুলিস ষ্টেসন নৎত্রগা প্রিজন খূদিংমক্তা দিসপ্লে বোর্দশিং অমসুং আওটদোর হোর্দিংশিং থম্বা হায়বসি মায়কৈ অসোমদা থাংলকপা খোঙথাংনি।

সী জে আই রামানানা থৌরম অদুদা লিগেল সর্ভিসেস এপ অমসু মায়খুম হাংখি। মদুগা মরী লৈননা মহাক্না হায়খি, ঙসি মায়খুম হাংলিবা লিগেল এইদ সর্ভিসেস এপ অসি তঙায় ফদনা লিগেল সর্ভিসেস অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংগী লিগেল ৱার্কফোর্স অপূম্বগী মোবাইল ফোনশিংদা ইন্সটোল তৌগনি। মসিনা মখোয়বু লৈবাক অসিগী মফম খূদিংমক্তগী সেকেন্দ খরগী মনুংদা লিগেল এইদ এপ্লিকেসন সবমিট তৌবা ঙমহনগনি।

চীফ জষ্টিসনা মখা তানা হায়খি মদুদি, কোভিদ পেন্দমিক লৈদুনসু ঐখোয়না লিগেল এইদ সর্ভিসেস মায় পাক্লা মখা তানা চথবা ঙম্লি। অসিগুম্বা টেক্নোলোজিগী ওইবা টুলশিং শীজিন্নরকপা অসিনা মতুংদা লিগেল এইদ ইন্সটিট্যুসনশিংগী থবক থৌরমশিংদা অয়েৎ-অপনশিং লৈহল্লরোই।

## জমাট-ঈ-ইস্লামিগী মফম ৪০দা এন আই এনা রেইদ চথখ্রে

শ্রীনগর, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না নোংমাইজিং নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লৈবা অথিংবা থমখ্রবা জমাট-ঈ-ইস্লামিগা মরী লৈনবা মফম কয়াদা রেইদ চথখ্রে।



আওটফিট অসিগী মেম্বরশিংগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌরবা মতুংদা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিনা রেইদশিং চথখিবনি। এন আই এ ছোর্সশিংনা হায়, এজেন্সী অসিনা জমাট-ঈ-ইস্লামি (জে ঈ আই)গী মরু ওইবা মেম্বরশিংগী মফম ৪০দা মতম অমত্তদা রেইদ চথখি। মফমশিং অদুদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসশিংসু য়াওখি। ছোর্সশিং অসিগী মতুং ইন্না জে ঈ এমগী মায়োক্তা অনৌবা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরে অমসুং ঙসিগী রেইদশিং অদু এফ আই আর অসিগা মরী লৈনবা ইনভেষ্টিগেসনগী শরুক অমনি।

রিপোর্ট খরনা হায়রি মদুদি, শ্রীনগরগী চিদাই ওইবা নাওগমদা লৈবা গ্রুপ অসিনা চল্লাইবা ফালাহ-ঈ-আম ট্রষ্টতসু রেইদ চথখি। এজেন্সী অসিনা চথরিবা মরু ওইবা পান্দমদি অথিংবা থল্লবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ফন্দ লাকফমশিং চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনবনি।

প্রোব অদুগা মরী লৈনবা এন আই এগী ওফিসল অমনা হায়, এজেন্সী অসিগী স্লুথশিংনা সী আর পি এফকা লোয়ননা জে এন্দ কেগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথরি। অদুম ওইনমক ওফিসল অসিনা কেস অদুগী অকূপ্পশিংদি ফোঙদোকখিদে।

এজেন্সীগী ছোর্স অমনা হায়, এন্টি-টেরর প্রোব এজেন্সী অসিনা অথিংবা থল্লবা টেরর আওটফিট জমাট-ঈ-ইস্লামিগী সিনিয়র মেম্বরশিংগা মরী লৈনবা প্রেমিসেসতা থিবা হুম্বা চথরি। য়ামদ্রবদা মফম ৪০দা থি-হুম্বগী থবক চথরি।

থি-হুল্লিবা মফমশিং অদু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী দোদা, বদগাম, কিশতৱার, রামবান, অনন্তনাগ, গন্দরবাল, শোপিয়ান, রাজৌরি অমসুং অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবশিংনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা এন আই এনা কেস অনীগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি-হুম্বা চথবগা লোয়ননা মীওই কয়াসু ফাগৎখ্রবনি।

## দেল্লীগী সেল্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লেম্না ফংহল্লগনি

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

দেল্লী গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা নেসনল কেপিটেল অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থল্লিবা নাইট সেল্টরশিংদা লৈরিবা ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা মীওইশিংগীদমক্তা চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফূদ দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোগ্রাম অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

হৌজিক দেল্লী গভর্ণমেন্টকী দেল্লী অর্বান সেল্টর ইমপ্রুভমেন্ট বোর্দ (দি য়ু এস আই বি)গী সেল্টর ২০৯দা লৈরিবা ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা মীওই খূদিংমক অক্ষয়া পত্রা ফাওন্দেসন হায়বা বেঙ্গলুরুদ্দা বেজ তৌবা এন জি ও অসিনা লঞ্চ অমসুং দিনর লেম্না ফংহল্লগনি।

সিটি অসিগী ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা মীওইশিংনা লৈনবা নুমিদাংগী ওইবা সেল্টরশিং অদুবু চল্লাইরিবা দি য়ু এস আই বিনা এন জি ও অসিদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহনবগী অয়াবা পীখ্রে হায়বসি এজেন্সিনা মমাঙদা রিপোর্ট তৌবা লৈখ্রবনি। থোং-থাক্লবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লেম্না ফংহনবগী প্রোগ্রামশিং অসি নোংমাইজিং নুমিত্তা সরাই কালেন খানদা লৈবা সেল্টর অমদগী লোঞ্চ তৌখি।

প্রোগ্রাম অদুবু লোঞ্চ তৌরদুনা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হায়খি, সেল্টর ২০৯দা লৈরিবা মীওই ৬,০০০ লোমদা থোং থাক্লবা চানবা পোৎলমশিং লেম্না ফংহল্লগনি। নাইট সেল্টরশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি সোসাইটিদা লৈরিবা লায়রবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না লায়রবনি হায়না লৌনৈ অমসুং মখোয় পার্টি অমত্তগী ভোট বেঙ্ক নত্তে। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট অমত্তনা মখোয়বু থৌশাবীখিদে।

থৌদাং মশক খঙবা গভর্ণমেন্ট অমনা অসিগুম্বা লায়রবশিংদা মীৎয়েং চঙবা হায়বসি মসিনা অহানবনি। আর্ম আদমি পার্টি (এ এ পি) গভর্ণমেন্ট অসি থৌদাং মশক খঙবা গভর্ণমেন্ট অমনি। ঐখোয়না লায়রবশিংগীদমক্তা পায়খৎফম থোকপা থবক কয়া পায়খৎখ্রে। ঙসিদগী লেম্না চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহনবগী প্রোগ্রাম অসি হৌদোক্লি হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহী ৫ অসিদা নাইট সেল্টরশিং অসিগী ফিভম ফগৎলক্লে হায়না পল্লদুনা কেজ্রিৱালনা হায়খি, মহাক মশানা সেল্টর হোমশিং অদুগী টোইলেটশিং অমসুং থক্লবা ঈশিং সপ্লায়গী ফিভম য়েংশিনখি। মসিগী ফেসিলিটিশিং অসিগী ফিভম ফনা লৈরে। লায়রবশিংদা হাইজিনিক ওইবা চান থক্লবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা চোংথোকপীরকপগীদমক্তসু কেজ্রিৱালনা অক্ষয়া পত্রা ফাওন্দেসনবু তৌবীমল খঙবা উৎখি।

## ইন্টর-ষ্টেট ফেক করেন্সি রেকেটতা চেন্নবা তরুক ফারে

ভুবনেশ্বর, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

উরিষা পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইন্টর-ষ্টেট ফেক করেন্সি রেকেট অমগা মরী লৈননা সম্বলপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা রেইদ চথখ্রে অমসুং রেকেট অদুগা মরী লৈনবা মীওই ৬ ফাখ্রে।

সম্বলপুরগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি) বি গঙ্গাধরনা ফোঙদোরকপদা, পুলিসনা লুপা লাখ ১৩.৮৫ গী ফেক করেন্সিশিং অমসুং ফেক করেন্সিশিং অদু নম্বগী মেছিন ফাখি। ফারবা অশাবা নোটশিং অদু দিনোমিনেসন লুপা ২০০০, ৫০০ অমসুং ১০০গী ঙাক্তনি। ফারবা মীওইশিং অদু উরিষাগী বারগর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং য়ূমথংনরিবা ছট্টিসগরদগীনি।

মশক খঙদবা মীওইশিংনা অশাবা লুপা ১০০ চৎপীশিং চাইথোরক্লে হায়না সম্বলপুরগী মীওই অমনা তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট অমদা য়ূম্ফম ওইরগা পুলিস টিম অমনা সম্বলপুর টাওনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থী হুম্বা চথখি অমসুং একুজ ৬ ফাখি।

এস পি গঙ্গাধরনা হায়, টাওন পুলিস ষ্টেসনগী সব-ইন্সপেক্টরনা লুচিংবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেমখি। মখোয়ন ভাটলি পুলিস ষ্টেসন এরিয়া অমসুং অম্ভাবানাদা রেইদ তৌখি অমসুং রেকেট অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফাখি।

পুলিস ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না হীরম অসিগা মরী লৈননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে অমসুং ফারবা মীওইশিং অদু কোর্টতা পুথোক্লগনি।

## লেবরর অমা ফূবদা শিরে

সম্বাল, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশতা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা কন্সট্রক্সন ৱর্কর অমা মহাক্না খূৎশুমল পীয়ু হায়রুবদগী ফূবদা শিখ্রে। থৌদোক অদু ষ্টেট অসিগী সম্বাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বেহতা জ য়সিংহ ভিলেজদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, মালখান কৌবা ভিক্টিম অদু নুংতিগী ওইবা মহাক্কী খূৎশুমল লৌনবা চঙখি। তৌইগুম্বসুং মরৈ য়েৎনবদগী মীওই খরনা মহাকপু চৈ-লাং শীজিন্নদুনা ফূখি।

মহাক ফিভম থীনা শোক্তুনা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। ভিক্টিম অসিগী মনাওনুপানা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্টতা য়ূম্ফম ওইরগা মীওই মরিগী মায়োক্তা আই পি সীগী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং একুজশিং অদুগী মরক্তগী অমা ফাখি।

সম্বালগী এস পি চাক্রেশ মিশ্রানা হায়, প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসনদা ভিলেজ অদুগী ভুরা কৌবা মীওই অমনা মরু ওইবা একুজনি হায়বা খঙখি। মরৈ য়েৎনবদগী মহাক্না মলখানবু য়োৎচৈ অমনা মকোক্তা কনখি।


### ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ / অৱাবা ফোঙদোকচবা



শ্রী খুরাইজম নিমাইচোরোন সিংহ, সাহিত্য একাদমি এৱার্দী, Ng. Mani College, Khurai Chairenthong গী Governing Body গী Founder President ওইবিরকখিবা ১সুং হৌজিক-হৌজিক চৎলিবা GB গী Term অসিগীসু নৌনা অমুক প্রসিদেন্ট ওইবিদুনা College অসিবু হীরম কয়াদা অফবা ওইহন্দুনা Higher Education দা শোথহৌরবা লমদম অসোমগী মহৈরোয়শিংবু মতীক চাবা, মতিং লৈবা অফবা মী অমমম্ ওইনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা ওজানা খঙহৌদনা তাং ৫/৭/২০২১ ইং, শগোলশেল নুমীৎকী নুমিদাং অথেংবদা লৈখিদবদা শ্রীঙাঙোম গোকুলচন্দ্র সিংহ Vice President না Chair লৌদুনা তাং ৭/৮/২০২১ ইং, থাংজ নুমীৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা Governing Body গী মেম্বরশিং ১সুং ওজাশিংনা মিনট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরম্লেনদা ঈংনা-চিক্লা নুংঙাই য়াইফনা লৈরুনবা ঈশ্বরদা থৌনীজখি লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **K. Sanajaoba Singh,**
Secretary,
Ng. Mani College Governing Body

HL-P/3806/9


## মুম্বাইদা কেন্সর ৱারিয়রশিংগী ফেলিসিটেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

ছবি সহয়োগ ফাওন্দেসননা ইম্ফালগী অতৈ মোর্নিং বেলগা খূৎশম্ন রগা শীন্দুনা হৌখিবা থাংজদা মুম্বাইগী অশোক সিংহাল রুগনা সেবা সদন (এ এস আর এস এস)তা কেন্সর ৱারিয়রশিংগী ওইবা ফেলিসিটেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মুম্বাইগী হনুমান তেকদি, কোলিৱাদাদা লৈবা এ এস আর এস এস অসি ভিশ্বা হিন্দু পরিষদ (ভি ঐচ পি)না চল্লাইবা এন জি ও অমনি। এন জি ও অসিনা কেন্সর পেসেন্টশিং অমসুং মখোয়গী ক্যেরগিভরশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং লৈফম লেম্না ফংহল্লি। কেন্সর ৱারিয়র অমসুং ক্যেরগির ২৫০ হেনবদা এ এস আর এস এসকী চীফ এদমিনিষ্ট্রেটর দিলিপ দাবেগী খূৎনা মচি ওইরবা হৈ-রাশিং য়েম্লোক্তুনা মখোয়গী পূক্নিং থৌগৎখি।

সী এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরি শ্রী পর্থা রোইগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা জুইনগরগী মখা কর্য়াবাহ, শিভনাথ থাকুরসু য়াওখি। ছবি সহয়োগ ফাওন্দেসননা কেন্সর পেসেন্টশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংশিংবু ফাইনান্সিয়েল গাইদেন্স অমসুং মমিংতগী ওইবা মমলদা লৈফম পীদুনা মতেং পাংবগা লোয়ননা মখোয়বু ৱাখল তাহল্লি।

## তুরেল চাওখৎলকপদগী মীৎকূপ নাহুম শিংনা লৈখ্রে

লক্ষ্ণৌ, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী মরু ওইবা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংলকপদগী য়ৌগি অদিত্যনাথ গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা মীৎকূপ নাহুম শিংনা লৈনবা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওফিসল খূদিংমক্তা ফিভম য়েংশিন্দুনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

পয়গরাজদা গঙ্গা অমসুং য়মুনাগী ঈমায় দেঞ্জর মার্ক (মিটর ৮৪.৭৩) থুনা নকশিল্লকপগা লোয়ননা অকূৎপা খুঙ্গংগী লমশিংদা ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লক্লি।

মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবদগী ওথোরিটিশিংনা মীয়াম্বু শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোকখি। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা গঙ্গা তুরেলগী ঈমায়গী থাক ফাওবদা মিটর ৮৪.০৩ য়ৌখি অমসুং চতনাগতা মিটর ৮৩.৩০ য়ৌখি।

মান্নবা মওংদা য়মুনা তুরেলগী ঈমায়সু মান্নবা মতমদা য়েংবদা মিটর ৮৩.৮৮ য়ৌখি। তুরেল অনী অসি পূং মরিগী মনুংদা সেন্টিমিটর ১০-১১গী চাংদা ঈমায় হেনগৎলকখি।

ইরিগেসন দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা খুদোংথীবা থাবা য়ৌবা য়াই। লোকেলিটি কয়াদা ঈচাও চাওখৎপা হৌখ্রে। ভারানসিদসু গঙ্গা তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী ৱার্নিং লেভেল লাল্লবা মতুংদা দেঞ্জর মার্ক নকশিল্লক্লি।

## লৈবাকসিদা কাষ্ট সেন্সসকী পোলিটিক্স কনখৎলক্লে



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

রিজনেল পার্টি কয়ানা মীকোক থীবদা কাষ্ট ফেক্টর য়াওহন্নবা দিমান্দ তৌবদগী লৈবাক অসিদা কাষ্ট সেন্সসকী পোলিটিক্স কনখৎলক্লে।

বি জে পিগী মীচঙ ওইরিবা জনতা দল য়ুনাইটেদনসু লৈবাক অসিদা কাষ্টতা য়ূম্ফম ওইরগা সেন্সস পাঙথোক্লবা তকশিল্লি। ও বি সী কম্মিসনগী হান্নগী মেম্বর শজিলুজামন অন্সারিনা হায়, লৈবাক অসিদা লৈরিবা ও বি সীগী মীশিং কয়াম য়াম্বগে অমসুং মখোয়গী সোসল ষ্টেটস করিনো হায়বসি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মসিনা গভর্ণমেন্টকী য়াইফ থৌরাং স্কিমশিং মরী লৈনবা অকক্লবা কম্যুনিটিদা য়ৌহনবদা মতেং ওইগনি।

জনতা দল য়ুনাইটেদকী নিতিশ কুমার ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী মীচঙ অমা ওইরবসু হৌখিবা চয়োলদা দেল্লীদা চৎপা খোঙচৎ অমদা মহাক্না হায়খি, ঐখোয়গী থবক্তি ঐখোয়গী অপাম্বশিং খঙহনবা অদুনি। কাষ্ট সেন্সসকী মতাংদা ৱারেপ লৌবা হায়বসিনা সেন্টরগী থবক্নি। কাষ্ট অমনা পাল্লগা কাষ্ট অমনা পাল্লোইদবগী ৱাফম লৈরোই। মসি মীপূম খূদিংমক্না পাম্মী। নিতিশনা মখা তানা হায়খি, কাষ্ট সেন্সস অসিনা খুন্নাইদা উংখৎনবা নৎত্রগা অমগা অমগা য়েৎনবা লৈহল্লোই। মীপূম খূদিংমক হরাওনগনি। মীয়াম্না গভর্ণমেন্ট স্কিমশিংগী কান্নবা ফংগনি। অসিগুম্বা সেন্সস অসি বৃটিশ লৈঙাক্কী মতমদসু লৈখি।

জে দি য়ুদা নত্তনা আর জে দি, সমাজৱাদি পার্টি অমসুং দি এম কেগুম্বা অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু কাষ্টতা য়ূম্ফম ওইবা সেন্সস দিমান্দ তৌরি। আর জে দিগী লুচিংবা টেজাসৱি য়াদবনা কাষ্ট সেন্সসকী ইস্যু অসি পুখৎখিবগা লোয়ননা মহাক্না মান্নবা দিমান্দ শৌগৎলিবা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমার ফাওবা উনখি।

অন্সারিনা হায়, ও বি সী কম্মিসনগী দিরেক্সনদা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা কাষ্ট সর্ভে পাঙথোকখি, মদুদা অশোয়বা য়াওরে হায়রদুনা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা দেটা এনালাইসিস ফোঙখিদে।

রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা কন্দক্ট তৌবা সোসিও ইকনোমিক এন্দ কাষ্ট সেন্সস কুমজা ২০১১দা কাষ্ট, সব-কাষ্ট কেটিগরি ৪৬,৭৩,০৩৪ য়াওরগা ফোঙখি। তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০১৫গী জুলাইদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা সেন্সস অদুদা অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওরে হায়খি অমসুং অশোয়বা খরদি চুমথোকখি। বৃটিশনা ইন্দিয়া পায়শিনখিবা মতুং কুমজা ১৮৮১ দা লৈবাক অসিদা অহানবা কাষ্ট সেন্সস পাঙথোকখি। কাষ্টতা য়ূম্ফম ওইবা অকোনবা সেন্সস অদু কুমজা ১৯৩১ দা পাঙথোকখি।

## চীফ মিনিষ্টর বোম্মাইনা কেবিনেট ষ্টেটস পীবদা হান্নগী সী এম য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা য়াখিদ্রে





বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):

কর্নাটকাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর বাসাভরাজ বোম্মাইনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদ্দিয়ুরাপ্পাদা কেবিনেট ষ্টেটস পীবদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা য়াখিদ্রে।

বোম্মাইনা য়েদ্দিয়ুরাপ্পাদা কেবিনেট রেঙ্ক পীখিবা মতুং মথংগী নুমিৎ নোংমাইজিংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টরনা বোম্মাইদা রেঙ্ক অদু ৱিদ্রো তৌবীনবা হায়জখ্রে। কান্নারা লোলদা বোম্মাইদা ইবা লাইন ৯গী লেট্টরদা য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা হায়খি, মহাক হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদা পীরিবা লোনা য়াবা ফংফম থোকপা বিনিফিটশিং ফংবদা পেল্লে। ঐখোয়গী অনৌবা চীফ মিনিষ্টরদা ওর্দর অসি ৱিদ্রো তৌবীনবা ঐহাক্না হায়জরি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (দি পি এ আর)না সর্ক্যুলর অমা থোক্তুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর য়েদ্দিয়ুরাপ্পাদা কেবিনেট রেঙ্ক ষ্টেটস পীখিবনি। মদু মহাক্না কেবিনেট-রেঙ্ক মিনিষ্টর অমগা মান্ননা গভর্ণমেন্টকী ফেসিলিটিশিং ফংনবগীদমক্তা পীখিবনি। হৌজিক্কী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ওফিস পায়রিবমখৈ কান্নবশিং অসি মহাক্না ফংগনি হায়নসু ওর্দর অদুদা পনখি।

ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা কেবিনেট রেঙ্ক ষ্টেটস ফংলবা মতমদা কেবিনেট রেঙ্ককী ফেসিলিটিশিং ওইনা তলব, গভর্ণমেন্ট ভেহিকল অমসুং ওফিসল একমোদেসনগুম্বা কেবিনেট মিনিষ্টর অমনা ফংফম থোকপশিং ফংগদৌরিবনি। য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা ওফিস পায়রকপা চহী অনী মপূং ফারকপা মতুং হৌখিবা জুলাই ২৬তা পার্টিগী এদভাইস মতুং ইন্না রিজাইন তৌখিবদগী মশাগী চহী ৭৮রোম শুরবা বি জে পিগী সিনিয়র লীদর অসি শিকারিপুরা কন্সটিট্যু-এন্সিগী এম এল এ অমা ওইবা নত্তনা ওফিসল ফম অমত্তা পায়দনা লৈরিবনি।

বি জে পিগী কন্সটিট্যুসনদা চহী ৭৫ গী মথক ওইবা মীওইশিং মীখল কন্টেষ্ট তৌবা নৎত্রগা ওফিসল ফম পায়বদা অথিংবা থম্বগী রুল লৈত্রবসু চহী ৭৫ অসি থবক্তগী পোত্থাবা য়ারবা চহীনি হায়বসি পার্টিগী চৎন-কাঙলোন অমা ওইরক্লি। মসিগী ওফিসল ওইদবা রুল অসি কুমজা ২০১৯গী লোক সভা মীখলদা চঙবা হৌখি। মতমদুদা বি জে পিনা চহী ৭৫ হেল্লবা পার্টিগী লুচিংবা কয়াদা মীখল কন্টেষ্ট তৌনবগী টিকেট পীখিদে।

পার্টিনা অসুম্না টিকেট পীখিদবা শক্লাইরবা লুচিংবশিংগী মনুংদা এল কে অদভানি অমসুং মতমদুদা লোক সভাগী স্পীকর ওইখিবী সুমিতা মহাজন য়াওখি। মান্নবা মওংদা গুজরাতকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অনন্দিবেন পাতেলসু মশাগী চহী ৭৫ শুরকপদগী ফম অসিদগী রিজাইন তৌখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং- নজমা হেপ্তুলা অমসুং দেভঙ্গিরিদগী থাগৎলকপা লোক সভা মেম্বর জি এম সিদ্দেসৱারাসু চহী ৭৫ শুরকপদগী রিজাইন তৌখি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| **Manipur** | **1,03,588+736** | **93,802+921** | **1,640+10** |
| Maharashtra | 63,50,000+6,061 | - | 1,34,000+128 |
| Kerala | 35,30,000+20,367 | - | 17,654+139 |
| Karnataka | 29,20,000+1,610 | - | 36,773+32 |
| Tamil Nadu | 25,70,000+1,969 | - | 34,289+29 |
| Andhra Pradesh | 19,80,000+1,908 | - | 13,513+23 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+27 | - | 22,773+2 |
| West Bengal | 15,30,000+749 | - | 18,217+15 |
| Delhi | 14,40,000+72 | - | 25,066+1 |
| Chhattisgarh | 10,00,000+120 | - | 13,539+3 |
| Odisha | 9,86,000+1,096 | - | 6,366+64 |
| Rajasthan | 9,54,000+19 | - | 8,954 |
| Gujarat | 8,25,000+19 | - | 10,077 |
| Madhya Pradesh | 7,92,000+13 | - | 10,514 |
| Haryana | 7,70,000+18 | - | 9,648+1 |
| Bihar | 7,25,000+36 | - | 9,646 |
| Telangana | 6,49,000+569 | - | 3,823+4 |
| Punjab | 5,99,000+63 | - | 16,313+1 |
| Assam | 5,74,000+986 | - | 5,372+15 |
| Jharkhand | 3,47,000+37 | - | 5,130 |
| Uttarakhand | 3,42,000+38 | - | 7,367 |
| Jammu and Kashmir | 3,22,000+142 | - | 4,386 |
| Himachal Pradesh | 2,08,000+356 | - | 3,533 |
| Goa | 1,72,000+109 | - | 3,159+2 |
| Puducherry | 1,22,000+102 | - | 1,800+1 |
| Tripura | 80,134+186 | - | 767+1 |
| Meghalaya | 68,631+524 | - | 1,154+7 |
| Chandigarh | 61,974+4 | - | 811 |
| Arunachal Pradesh | 49,916+248 | - | 240+3 |
| Mizoram | 44,239+709 | - | 165+4 |
| Nagaland | 28,551+106 | - | 583+1 |
| Sikkim | 27,746+94 | - | 355+3 |
| Ladakh | 20,385+7 | - | 207 |
| Lakshadweep | 10,247+4 | - | 50 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,544+3 | - | 129 |


### ꯅꯨꯡꯁꯡ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুবগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/7035/15/7-15/9



### ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ I AM THANKING LAISHRAM SUDHAKAR (SHAMU)



SUDHAKAR (SHAMU)

I am thanking Laishram Sudhakar (Shamu) S/o L. Nabakishore (Padma Shri Awardee) of Sagolband Khamnam Leirak near I.T.I. Imphal for curing me from stone case. After treating me by him the stone from my left ureter had passed away within a very short period of one week.

Sd/- **Sh. Roni Devi**
Awang Jiri Maning Leikai

HL-P/6398/7,8,9